# জে এক এ পিঃ পি এম মোদিনা জে এন্দ কেদা ষ্টেটহুদ হঞ্জিনহনগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে



***ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৫(এজেন্সি)ঃ***
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী অনৌবা পার্টি অমনা থাংজগী নুমিদাংৱাইরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নখিবদা মপুং ফাবা ষ্টেটহুদতগীনা ডোমিসাইল রাইটস অমসুং মখোয়গী লম অমসুং থবক ঙাকপা ফাওবা য়াওনা পূন্নমক অসি দিমান্দ তৌখি।

হৌখিবা চহীদা জম্মু এন্দ কাশিমরদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীবা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ মুখৎখিবা মতুংদগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদগী পোলিটিকেল পার্টি অমগা অহানবা উন্নবা ওইবা মরম্না উন্নখিবা অদু মরু ওইরি।

জম্মু এন্দ কাশ্মির অপনি পার্টি (জে কে এ পি) কৌবা পার্টি অদুগী প্রসিদেন্ট অলটাফ বুখারিনা দিলিগেসন অদু লুচিংখিবনি। মীয়ামগা মফমসিগী এদমিনিষ্ট্রেসনগা সেন্টরগগী মরক্তা লৈরিবা অহোবা অসি মেনশিনবা মথৌ তাই। হিরম অসি ঐখোয়না পুখৎখি হায়না মহাক্না হায়খি।

নেসনেল কনফরেন্স অমসুং পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি–মরুওইবা পোলিটিকেল পার্টি ২ অসিগী মায়োক্তা মশামকপু ৩শুবা ফ্রন্ট অমা ওইনা পুখৎলদুনা জে কে এ পি না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা মপুং ফাবা ষ্টেটহুদ হঞ্জিনহন্নবা দিমান্দ তৌখি।

চাওরবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগুম্বা ষ্টেটনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী থাক্তা হন্থরকখিবদা মীয়ামগী মরক্তা মাঙজবগী ৱাখল অমা পোক্লে। মরম অদুনা ঐখোয়না ষ্টেটহুদ হঞ্জিনহন্নবা দিমান্দ তৌরি হায়না জে কে এ পি শেমগৎলকখিবদা মরুওইবা অমা ওইরিবা গুলাম হাসন মিরনা হায়খি।

দিলিগেসন অদুনা থবক, এদুকেসন অমসুং ব্যুজিনেসকা মরী লৈনবা হিরমশিংগী মতাংদা মীয়ামগী নুংনাংলিবশিং অদু পুখৎখি। ঐখোয়গী অঙাংশিংগী হক ঙাক্নবা দোমিসাইল লো পুরক্নবা ঐখোয়না প্রাইম মিনিষ্টরদা দিমান্দ তৌখি।

হৌজিক দিলিমিটেসনগী মতাংদা ঙাংনরিবশিং অদুনা মীয়ামদা অকিবা অমসু পোকহল্লি। মদুনা মীয়ামবু শক্তি মাঙহল্লগনি হায়বগী ৱাখল অমা পোকই। ঐখোয়না হিরমশিং অসি ফজনা পুখৎখি। মদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা সিটিজেনশিং শক্তিঃ মাঙহন্নবা করিগুম্বা অমত্তা তৌরোই হায়না ঐখোয়দা থাজবা পীরক্লে হায়না গুলাম হাসন মিরনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা দেমোগ্রাফিককী অওনবা অমত্তা তৌরোই, মহাক অরেপ্পা ৱা ঙাংবা মীওই অমনি। জম্মু এন্দ কাশ্মির মীয়ামগীদমক মহাক্কী থম্মোয় মিহুল হুল্লি হায়রকখ্রে হায়না জম্মু কাশ্মিরগী অনৌবা পার্টিগী প্রসিদেন্ট বুখারিনা হায়খি।

পুং ২ শাংনা উন্নখিবা অদুদা দিলিগেট ২৪ অদুগী ৱা পূন্নমক প্রাইম মিনিষ্টরনা মুন্না তাখি। রিজন অসিগী হেন্না ফনবগীদমক খোঙথাং পূন্নমক লৌখৎকনি হায়না ঐখোয়দা প্রাইম মিনিষ্টারনা থাজবা পীরকখ্রে হায়না মিষ্টর বুখারিনা মখা তাখি।

মিষ্টর বুখারি অসি মেহবুবা মুফতি গভর্ণমেন্টতা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরমখি। গুলাম হাসন মিরনা মাগী প্রো ইন্দিয়া পোলিটিক্সকীদমক মীয়ান্না খঙনৈ।

মহাকসু পি দি পিগী ফাউন্দর মেম্বরশিংগী মনুংদগী অমনি। মদুগী মতুং কোন্না ওমর অবদুল্লাগী কেবিনেটতা মিনিষ্টর অমা ওইখিবনি।

# মালেমগী লৈবাক ১৩৭তা কোরোনাভাইরসনা মীওই ১৫১,৭৯৭ নাখ্রে, মীওই ৬,০০০ হেন্না শিহনখ্রে



***পেরিস, মার্চ ১৫(এজেন্সি)ঃ***
ওফিসিয়েল লিখুলশিংদগী এ এফ পিনা খোমজিনবা অপুনবা মশীং অমগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা মালেমগী লৈবাক অমসুং টেরিটোরি ১৩৭তা কোভিদ–১৯ লাইচৎনা পুন্না মীওই ১৫১,৭৯৭ নাখ্রে অমসুং অনাবা মীওই ৬,০০০ হেন্না শিখ্রে।

চিনাগী মপানদা কোভিদ–১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা ইটালিদা লাইচৎ অসিনা মীওই ২১,১৫৭ নাখ্রে অমসুং মীওই ১,৪৪১ শিখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোভিদ–১৯ শন্দোকপা হেল্লকপদগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নেসনেল ইমর্জেন্সি লাওথোকখ্রে। লাইচৎ অসিদগী মীওই ৫০ শিখিবগা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দেনাল্ড ট্রম্প কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌখ্রে অমসুং মহাক্কী ওইনদি টেষ্টকী ফল নেগেটিব ওইখ্রে।

স্পেনগী প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সানচেজগী নুপী বেগোনা গোমেস ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখ্রে হায়না স্পেনগী পাউগী এজেন্সি য়ুরোপা প্রেসকী পাউ পল্লদুনা স্পুটনিকনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী নুপী মখোয় অনীমক্কী ফিভম 'ফবা' ওইনা লেপ্লি। অনীমক হেল্ঠ ওথোরিটিজগী পাউতাক মখাদা হৌজিক মখোয়গী রেসিদেন্সতা লৈরি। লৈবাক অসিদা পুন্না কোভিদ–১৯না নাবা মশীং ৬,২৫০ হেনখ্রে। মীওই ১৯৩ শিখ্রে।

ফ্রান্সতা কোরোনভাইরসনা মরম ওইদুনা পুন্না মীওই ৯১ শিখ্রে। মথৌতাদবা পব্লিক প্লেসশিং হায়বদি রেষ্টোরেন্টশিং অমসুং কেফেশিং য়াওনা পুন্নমক থিঙজিল্লে লাওথোক্লদুনা ফ্রান্সনা কোভিদ–১৯গী মায়োক্তা অকনবা থবক লৌখৎখ্রে।

কোভিদ–১৯ অহানবা হৌরকখিবা মফম চিনাগী ওইনা বৈজিংদগী ফংবা পাউদা লৈবাক অসিদা লাইচৎ অসিনা নাবা মশীং হন্থরকখিবগা লোয়ননা চয়োল অমা হেনবগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্বা মশীং ওইনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা সুপ্নগী অনৌবা মীওই ১৬ খক লাইচৎ অসিনা নাখি হায়রি।

চিনাদা লাইচৎ অসিদগী পুন্না শিখিবা মশীং ৩১৯৯ শুখ্রে। পুন্না মীওই ৮০,০০০ হেন্না নাখ্রে।

# রিফ্যুজি অঙাং হাৎপা ৩ জেলদা চহী ১২৫ চৈরাক পীখ্রে

***অঙ্করা, মার্চ ১৫(এজেন্সি)ঃ***
সিরিয়ান রিফ্যুজি অঙাং এলান করদি অমসুং অতোপ্পা ৫ হাৎপগীদমক টর্কিগী কোর্ট অমনা মীওই ৫গী অমমদা চহী ১২৫গী জেলগী চৈরাকশিং পীখ্রে হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি এনাদোলুনা ফোঙদোকখ্রে।

হ্যুমেন ট্রাফিকিংগী ওর্গনাইজর ওইবা মীওই ৩ অদু খা থংবা অদানা প্রোভিন্সতা চয়োল অসিদা হান্না টর্কি ফোর্সশিংনা ফাখিবনি। মুগলাদা লৈবা বোদ্রুম হায় ক্রিমিনেল কোর্টনা মখোয়বু অনিংবা অমগা লোয়ননা মীহাৎপগীদমক চৈরাক পীখি হায়না এনাদোলুনা হায়খি।

মশাগী চহী ৩তা ঙাইরিবা সিরিয়ান রিফ্যুজি অঙাং এলান করদিগী থৱাই য়াওদবা হকচাং অদু টর্কিগী রিসোর্ট সিটি পোদ্রুমগী মনাক্তা সমুদ্রা তোবর্বান অমদা ঈশিংনা পুশিল্লকখিবা অদুগী চহী মরী মখায়গী মতুংদা চৈরাক অদু পীখিবনি।

অঙাং অদুগা লোয়নরকখিবা অতোপ্পা রিফ্যুজি ৫সু শিনা ফংখি। থৌদোক অদুদা শরুক য়াবগীদমক সিরিয়ান অমসুং টর্কিজ দিফেন্দেন্ট কয়া জেলগী চৈরাকশিং ফংখ্রে, অদুবু অকোনবগী মীওই ৩ অসিদি ৱায়েন চত্থরিঙৈদা চেনখিবদগী ইরাই নুমিৎতা চৈরাক পীখিবনি।

সিরিয়াদা থোক্লিবা লান ১০শুবা চহী চংশিল্লকপগা লোয়ননা হৌজিক সিরিয়াগী অঙাংশিংদি লান নত্তনা অতোপ্পা করিমতা খঙদ্রে।

সিরিয়াদা লৈরিবা অঙাংশিংনা মায়োক্লরিবা পুন্সিদা চৈথেং পীবা শীংনবা অনীখক্তি শিবা অমসুং ময়ুম–মকৈদগী তাম্থোকপা অসিখক্তনি।

সিরিয়াগী মতাংদা য়ু এন রিপোর্ট অমনা লান অসিগী ফল অমা ওইনা পুং ১০ খুদিংগী অঙাং অমা শি হায়রি। ২০১৪দগী ২০১৯গী লোয়রকপা ফাওবদা অঙাং ৫,০২৭ শিখ্রে। হৌজিক অঙাং মিল্লিয়ন ৫ হেন্না সিরিয়াগী মনুংদা অমসুং মিল্লিয়ন ২.৫না থংনবা লৈবাকশিংদা তেংবাংগী মথৌ তাই হায়রি।

# ভিদিও কনফরেন্সকী খূৎথাংদা নরেন্দ্র মোদিনা সার্ক লুচিংবশিংগা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক খন্নখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৫(এজেন্সি)ঃ***
নোবেল কোরোনা ভাইরস লাইচৎ লাক্সিন্নবা অমসুং মোনিটর তৌনবা অপুনবা ষ্টেটেজি অমা শেন্নবা পান্দমদা সাউথ এসিয়ান এসোসিয়েসন ফোর রিজনেল কোওপরেসন (এস এ এ আর সি) মেম্বর লৈবাকশিংনা শরুক য়াবা ঙসি পাংথোকপা ভিদিও কনফরেন্স অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাংখ্রে।




প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কনফরেন্স অদু পাংথোক্লবা ৱা হৌদোকখিবনি অমসুং মদুদা মেম্বর ষ্টেট পূন্নমক্না য়ারকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম ওলিনা হন্দক্তা সর্জরি তৌখিবা মতুং খুদক্তা ঐখোয়গা পুন্না শরুক য়ারকখিবা অসি ঐহাক্না অখন্নবা থাগৎলি। মহাক থুনা ফরকপা ওইসনু।

কোরোনাভাইরস লাইচৎ থেংনবদা 'থৌরাং তৌবা', অদুবু পাখৎতবা অসিনা ইন্দিয়াগী লমজিং ৱাখল্লোন অদুনি হায়না মোদিনা হায়খি।

ইন্দিয়ানা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংগী সিটিজেন খরবু কোরোনাভাসরসনা শোক্লবা লৈবাক্তগী লৌথোক্লক্তুনা তেংবাংখ্রে অমসুং তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদগী ইন্দিয়ানা ইন্দিয়ান ১৪০০রোমসু লৌথোক্লককখ্রে হায়না সার্ক লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংদা নরেন্দ্র মোদিনা পাউদমখি।

ভিদিও কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাংলদুনা অফগান প্রসিদেন্ট আশ্রফ ঘনিনা হায়খি, ইন্দিয়ানা শাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) লোয়ননা সার্কতা য়াওবা মরন্না কোভিদ –১৯ থেংনবদা ইন্দিয়ানা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌগনি অমসুং মদুনা চিনাদগী খ্বাইদগী ফবা প্রক্টিক্সশিং অদু খঙহনবদা অফগানিষ্টান অমসুং অতৈ লৈবাকশিংদা মতেং পীবা ঙমগনি।

মালদিবসকী প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম মোহমেদ সোলিহনা হৌজিক খ্বাইদগী মরুওইরিবদি অঙম্বা পূন্নমক পুথোক্তুনা ভাইরস অসি লাক্সিনবনি হায়খি।

শ্রীলঙ্কগী প্রসিদেন্ট গোতাভয়া রাজাপক্সানা ভাইরসকী থুনা য়াংনা শন্দোরকক্লিবা শীংনবা অসিগী মায়োক্তা লেপ্পা ঙন্নবা ৱাখল্লোনশিং অমসুং খ্বাইদগী ফবা থবকশিং সাউথ এসিয়ানা খনমিন্নবগী মথৌ তাবা অদু চেৎনা পনখি।

পাকিষ্টানগী নাকন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী স্পিসিয়েল এসিষ্টেন্ট ডা. জাফর মির্জনা কনফরেন্স অদু য়াওগনি।

# কোরোনাভাইরসতগী বি জে পিগী কম্যুনেল ভাইরসনা হেন্না শাথি



***গুৱাহাটি, মার্চ ১৫(এজেন্সি)ঃ***
সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা লৈরিবা বি জে পি গভর্ণমেন্টশিংদা চৈরদুনা হান্নগী আসাম চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেসকী সেনিয়ার লিদর টরুন গোগোইনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা কোরোনাভাইরসতগী গেরুৱা মচুগী পার্টিগী কম্যুনেল ভাইরসনা হেন্না শাথি হায়খ্রে অমসুং মথঙ চহীগী এসেমব্লি মীখলদা কম্যুনেল ফোর্সশিংবু মায়থিবা পীনবা মহাক্কী পার্টিনা অচৌবা এলায়েন্স অমা শেমগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

মহাক্কী পার্টিনা লাক্লিবা রাজ্য সভা মীখলগীদমক ওল ইন্দিয়া য়ুনাইটেদ দেমোক্রেটি ফ্রন্ট (এ আই য়ু দি এফ)কা এলায়েন্স তৌনরিবা অসি সেক্যুলারিজমদা থাজবা ৱাখল মান্নবা পার্টিশিংগা অচৌবা এলায়েন্স অদু শেন্নবগী অহানবা খোঙথাংনি হায়না মিষ্টর গোগোইনা হায়খি।

কোংগ্রেস–এ আই য়ু দি এফনা মার্চ ২৬ রাজ্য সভা মীখলগীদমক সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট অজিত ভুয়াননা মীরেপ ওইববু পূন্না শৌগৎখ্রে।

কোরোনাভাইরসনা হৌজিক অকিবা অমসুং খুদোঙথিবা থোকহল্লি, অদুবু মীওই কয়া হাৎখিবা কাংলূপ মশেনগী হিংশা অমসুং য়েংথিনবা থোকহনখিবা মরন্না বি জে পিগী কম্যুনেল ভাইরসনা হেন্না শাথি হায়না আসামগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

মসি লাক্সিনবা সেক্যুলারিজম অমসুং দেমোক্রেসিদা থাজবা ৱাখল মান্নবা পূন্নমক্না পুন্সিন্নবতাই মরম অদুনা ঐখোয়না লাক্লিবা এসেমব্লি মীখলগীদমক হেন্না চাওবা এলায়েন্স অমা শেন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌজিক কোংগ্রেসনা সি পি আই, সি পি আই এম গুম্বা পার্টিশিং, এ জি পি, এ এ এস য়ু অমসুং কে এম এস এস কী স্প্লিনটর গ্রুপশিং য়াওহন্দুনা এলায়েন্স অদু চাওথোকহনবা পাম্মি। ঐখোয়না খুদিংমক্কা এলায়েন্স অমা তৌনবা পাম্মি। কম্যুনেল ফোর্সশিংবু মায়থিবা পীনবা ঐখোয়না মহাগঠবন্ধন হায়বিদি অচৌবা এলায়েন্স অমা লৈবা তাবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# রাজ্য সভা মীখল মাঙওইননা গুজরততা কোংগ্রেস এম এল এ মঙা ষ্টেট এসেমব্লিদগী রিজাইন তৌখ্রে

***অহমেদাবাদ, মার্চ ১৫(এজেন্সি)ঃ***
গুজরাততা মার্চ ২৬তা রাজ্য সভা সিট ৪গী পাংথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইননা কোংগ্রেস এম এল এ ৫না এসেমব্লি স্পিকর রজেন্দ্র ত্রিবেদিদা মখোয়গী ফম থাদোকপগী চে পীশিনখ্রে।

ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা কোংগ্রেস এম এল এ ৪না ফম থাদোকপগী চেরোলশিং পীশিনখি অমসুং মদু স্পিকরনা য়াখি। মদুগী মথঙদা কোন্নসু প্রবিন মারু কৌবা কোংগ্রেস এম এল এ অমসু স্পিকরদা চেরোল পীশিন্দুনা ফম থাদোকখি।

মরুওইরবা রাজ্য সভা মীখল অদুগী মাঙওইননা কোংগ্রেস পার্টিনা মখোয়গী ষ্টেট এম এল এশিংবু জয়পুরদা মফম হোংদোক্তুনা থমখ্রবা ফাওবদসু এম এল এ ৫ অদুনা ফম থাদোকখিবনি।

কোংগ্রেসনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা এম এল এ ১৪না শাবা অহানবা খূৎপু অমা জয়পুরদা পুখি। অদুবু এম এল এ ৪ থিবা খঙখিদে। হৌজিক এম এল এ ৪ অদু রিজাইন তৌখ্রে। ৪ অদুগী মনুংদা এম এল এ জে ভি কাকদিয়া অমসুং সোমাভায় পতেল য়াওরি।



অদুম ওইনমক বিরজিভায় থুম্মারনা ফম থাদোকপগী পাউশিং অদু য়াখিদে অমসুং পাউশিং অদু তোকঙা ঙাক্তনি হায়খি।

রাজ্য সভা মীখল অদুগী মমাঙদা গুজরাত কোংগ্রেস পার্টিনা মখোয়গী এম এল এশিং অদুবু শেন পীদুনা লৈখিগনি হায়বদুগী কিবদগী ষ্টেট অদুগী ৱাংমদা রাজ্যস্থানদা পুখিবনি। এম এল এ ২০–২২গী অতোপ্পা খূৎপু অমসু ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তঃ রাজ্যস্থানগী কোনুং অদু য়ৌরম্লগনি।

সিট ১৮২ লৈবা গুজরাত এসেমব্লিদা বি জে পিগী এম এল এ ১০৩, কোংগ্রেসকী ৭৩ লৈ। ভারতিয়া ট্রাইবেল পার্টিগী সিট ২ অমসুং নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী সিটি ১সু লৈ লোয়ননা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ১সুনি।

এসেমব্লি অসিদা লৈবা মশীংগী মতুং ইন্না বি জে পিনা সুপ্নগী সিটি ২ ফংবা ঙম্বা তারবসু কেন্দিদেট ৩ থাদোক্লি। কোংগ্রেসতগীসু মীরেপ ২ থাদোক্লি।

রাজস্থান এসেমব্লিদা কোংগ্রেসকী চীফ হুইপ মহেশ জোশি অমসুং দিপুটি চীফ হুইপ মহেন্দ্র চৌধরিনা জয়পুর এয়ারপোর্টতা মাঙজৌননা লৈরগা থুংলরিবা গুজরাত এম এল এশিং অদুবু ওকখি অমসুং বস অমদা জয়পুর–দিল্লি হায়ৱেদা মখোয়বু লম কোয়ফম অমদা পুখি।

বি জে পিনা ৩শুবা সিট অদুসু ফংনবা পুন্না ভোট ১১১ মথৌ তাবনা কোংগ্রেস এম এল এশিংদগী ক্রোস ভোটিং মথৌ তাগনি। সিট ২ ফংনবা কোংগ্রেসনা ভোট ৭৪ মথৌ তাই। ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ জিগনেস নেবানিনা ইরাই নুমিৎতা কোংগ্রেসতা শৌগৎলকখ্রে।

# রোকেট এটেকতা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী মীওই ৩ শোকখ্রে

***বাঘদাদ, মার্চ ১৫(এজেন্সি)ঃ***
ইরাক কোনুং বাঘদাদকী অৱাংদা মপান লৈবাক্কী লান্মীশিং লৈরিবা বেজ অমদা রোকেটশিংনা নৌনা এটেক চত্থরকখিবদা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সকী মীওই ৩ শোকখ্রে।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা টাজি এয়ার বেজদা ইরাকি এয়ার দিফেন্স য়ুনিটশিংদা য়ামদ্রবদা রোকেট ৩৩না এটেক তৌরকখি হায়না লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

মসি হৌজিক ফাওবগী মনুংদা অসিগুম্বা খ্বাইদগী চাওবা এটেক অমনি।

ইরাককী জোইন্ট ওপরেসন্স কম্মান্দগী ৱাঙাংলোই টাহসিন অল–খাফাজিনা রোকেট এটেক অদুদা ইরাক এয়ার দিফেন্স পার্সোন্নেল ২ য়ান্না অরুবা ফিভমদা শোকখি হায়খি।

য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সনা মখোয়গী মীওই ৩সু এটেক অদুদা শোকই হায়খি।

ইরাককী মিলিটরিনা মখা তানা ফোঙদোক্লককখিবদা অনকপগী লোঞ্চিং সাইট অমদা মিসাইল ২৪ অমগসু লৈরম্বা থেংনখ্রে অমসুং মিসাইলশিং লৈরল্লিবা লম অদুগী মপু লোয়ননা থংনবা চেকপোইন্ট অমদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংসু ৱাহং চত্থনবগীদমক ফাজিন্দুনা থম্লে হায়খি। চহী কয়াগী মনুংদা ইরাক বেজ অমদা থোকপা অসিগুম্বা থৌদোক্কীদা খ্বাইদগী মী শিবা ওইনা বেজ অদুদা চত্থরকখিবা এটেক অমদা অমেরিকান লান্মী ২ অমসুং বৃটিস লান্মী ১ শিখিবা অদুগী নুমিৎ হুমিনি মতুংদা মসি চত্থরকখিবনি।

# রাজস্থান এস এম এস হোস্পিটালগী ডোক্টরশিংনা ঐচ আই ভি দ্রগসনা কোরোনাভাইরস অনাবা ফহল্লে




***জয়পুর, মার্চ ১৫(এজেন্সি)ঃ***
সৱাই মান সিংহ (এস এম এস) হোস্পিটালগী ডোক্টরশিংনা ইটালিয়ান কোরোনাভাইরস (কোভিদ–১৯) অনাবা অমবু ঐচ আই ভি, শ্বাইন ফ্লু অমসুং মেলরিয়া দ্রগশিং পুন্না শিজিন্নদুনা মায় পাক্লা লায়েংখ্রে।

কোভিদ–১৯গীদমক হৌজিক নেগেটিব ওইরবী অনাবা নুপী অদু রাজস্থানদা মীয়ান্না খ্বাইদগী য়েংনবা অচৌবা মফমশিংদা চৎখিবা মেম্বর ২৩গী ইটালিয়ান গ্রুপ অমদা য়াওদুনা মহাক্কী মপুরোইবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা লাকখিবনি।

মহাক্কী মপুরোইবা অদু গ্রুপ অদুদা লায়না অসিনা নারে হায়না অহানবা দাইগ্নোস তৌখিবা মীওইনি।

নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ ভাইরোলোজি (এন আই ভি), পুনেনা মার্চ ৩দা মহাকপু কোভিদ–১৯ নারে হায়না লেপখি। মথঙগী নুমিৎতা মহাক্কী নুপী অসিসু কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইরে হায়খি।

জয়পুরদা লৈবা এস এম এস হেস্পিটালগী ডোক্টরশিংনা অহানবদা মহাকপু ঐস আই ভি লায়েংদা কান্নবা দ্রগ ২ পুশিন্নরগা লায়েংখি। ঐখোয়না মঙোন্দা লোপিনাবির ২০০ এম জি, রিটোনাবির ৫০ এম জিগী পুন্সিনবা অমা নোংমদা ২রক থাখি হায়না হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি রোহিদ কুমার সিংহনা হায়খি।

এস এম এস হোস্পিটালনা চত্থরিবা ঐচ আই ভি দ্রগ অনী পুন্সিনরগা লায়েংবগী প্রোটোকোল অদুদা আই সি এম আরনা পেনখ্রে হায়না রোহিদ কুমার সিংহনা ফোঙদোকখি। মসিগী মথক্তঃ ডোক্টরশিং অদুনা কোভিদ–১৯না নারবী ইটলিয়ান নুপী অদুদা শ্বাইন ফ্লু লায়েংবদা কান্নরবা ওসেলটামিবির অমসুং মেলরিয়া লায়েংদা কান্নরবা ক্লোরোক্বিনসু থাখি।

এস এম এস মেদিকেল কলেজ প্রন্সিপাল অমসুং কন্ট্রোলর ডো. সুধীর ভন্দারিনা হায়খি, ঐখোয়না ষ্টেন্দরদ প্রোটোকোল ইন্না মাবু লায়েংখি অমসুং হৌজিক মহাক লায়না অদুগীদমক নেগেটিব ওইরে। মসি এস এম এস হোস্পিটাল ডোক্টরশিংগীদমক অচৌবা মায় পাকপা থবক অমনি।

নুপী অসিগী মপুরোইবা মশাগী চহী ৬৯ শুরবা অদুসু হৌজিক কোভিদ–১৯গীদমক হোস্পিটাল অসিদা লায়েং চত্থরি। নোংমগী মমাঙদা মহাক্কী কোভিদ–১৯গী টেষ্ট তৌখিবনি। অদুবু হৌজিকসু মহাক পোজিটিব ওইরি।

ডোক্টরশিংনা মাবু নন–ইনভেজিব ভেন্টিলেটর সপোর্ট পীদুনা লায়েংলি। মহাক্কী লোয়নবী নুপী অদু হৌজিক কোভিদ–১৯গী নেগেটিব ওইরবনা আইসোলেসন ৱার্দ অদুদগী মহাকপু হোংদোক্লগনি। অদুম ওইনমক মহাক্না চপ মান্নবা ৱার্দতা মহাক্কী মপুরোইবগা লৈমিন্ননবা লেপখ্রে হায়না এস এম এস হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. দি এস মীনানা হায়খি।

মহাক্কী মপুরোইবা অদু লং দিজিজ অমা হান্না লৈবনা ফগৎলকপদা মতম চংগনি। অদুম ওইনমক মহাক্কী ফিভম শোকচিন্দনা লৈরি হায়না ডোক্টরশিং অদুনা হায়রি।

# আনন্তনাগতা কাপ্নবদা টেরোরিষ্ট ৪ শিখ্রে

***শ্রীনগর, মার্চ ১৫(এজেন্সি)ঃ***
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী আনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈ কাপ্নগী খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী খূৎতা ঙসি টেরোরিষ্ট ৪ শিখ্র হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

মফম অদুদা টেরোরিষ্টশিং লৈরে হায়বগী মতাংদা অকক্নবা ই–পাউ ফংখিবগী মতুংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা ঙসি অয়ুক মফম অদু কোয়শিল্লগা থিবা–হুম্বগী থবক অমা চত্থখি।

অদুবু মফমদুদা লৈরমখিবা টেরোরিষ্টশিং অদুনা সেক্যুরিটি ফোর্সকী মথক্তঃ হান্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী থিবা–হুম্বগী ওপরেসন অদু নোংমৈ কাপ্নদুনা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অমা ওইনখি।

খা কাশ্মিরগী আনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী দিয়ালগম এরিয়াদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা টেরোরিষ্টশিং অদুগা কাপ্নদুনা খূৎ থোক্নখিবা অদুদা টেরোরিষ্ট ৪ শিখি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

হৌজিক খূৎ থোক্নবগী মরীক চুম্বা পাউ মখা তানা ঙাইরি হায়না মহাক্না হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-407**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | 9 | | 4 | | | 1 |
| | 7 | | | 1 | | 2 | 9 | |
| | 9 | | | 7 | | | 4 | 8 |
| 3 | | 9 | 4 | | | | 7 | |
| 8 | 2 | | | | 1 | 4 | | |
| | | 4 | 7 | | 2 | 9 | | |
| | 4 | | | 2 | 8 | | | 7 |
| 7 | | 1 | | | 9 | | | |
| | | 2 | 6 | | | 1 | | |

## GAS TODAY

**Lambodara Indane**
Booking : 12/02/20
Valid : 03/02/20
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Misao Gas Service**
Booking : 07/02/20
Valid : 21/01/20
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Frist Come First Serve

**M M Gas**
Booking : 08/01/20
Valid : 27/12/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
Frist Come First Serve

**Imphal LPG Service**
Stk : 19kg -48
Time : From 08.30 a.m.
Frist Come First Serve

**সনা–সুদোকু – ৪০৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 2 | 8 | 7 | 4 | 1 | 5 | 3 | 9 |
| 4 | 7 | 1 | 3 | 9 | 5 | 2 | 8 | 6 |
| 3 | 5 | 9 | 6 | 2 | 8 | 7 | 4 | 1 |
| 9 | 6 | 2 | 4 | 8 | 7 | 1 | 5 | 3 |
| 7 | 4 | 5 | 1 | 6 | 3 | 9 | 2 | 8 |
| 1 | 8 | 3 | 2 | 5 | 9 | 4 | 6 | 7 |
| 5 | 1 | 6 | 9 | 3 | 4 | 8 | 7 | 2 |
| 2 | 9 | 4 | 8 | 7 | 6 | 3 | 1 | 5 |
| 8 | 3 | 7 | 5 | 1 | 2 | 6 | 9 | 4 |